দোনাল্ড ট্রম্পনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙবদা মিদ্দল ইষ্টতা ঈৰাং থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে

ৱাশিংটন, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

লিশাং শিৎনা চৎনরকপা য়ু এসকী ফোরন পোলিসি থুগায়দুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা হৌনবী মতুং ইন্না শকখঙলে হায়না লাউথোক্লগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে। খোঙথাং অসিনা মিদ্দল ইষ্টতা তন্বা ঙমদবা অরুবা ফিভম কয়া লাকহল্লবা য়াই হায়রি।

য়ু এসকী কেপিটেল ৱাশিংটনদা নুংথিল পুং ১ তাবদা লাউথোক্কদৌরিবদুগা মরী লৈননা লমদম অদুদা ঈৰাং কয়া লাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী এম্বেসিশিংদা সিক্যুরিটি কনখৎহন্নবা ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা পাউতাক পীখ্রে।

য়ু এস গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদা মখা তানা খঙহল্লক্ত্রি ফাওবা জেরুসালেমগী ওল্ড সিটি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈতনবা নৎত্রগা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

হ্বাইট হাউসকী ডিপ্লোমেটিক রিসেপসন অমদা পীগদবা মহাক্কী ৱারোলদা ট্রম্পনা মহাক্কী ৱারেপতু মমাঙঙৈগী পুৱারী অমসুং জেরুসালেমদা ইজরেলি লেজিসলেচর অমসুং গভর্নমেন্ট ওফিস কয়া লৈরিবা হৌজিক্কী থাঙ্গৈশেংবা পোলিটিকেলগী ফিভমদা য়ূম্ফম ওইগনি। মহাক্না ষ্টেট ডিপার্টমেন্টতা জেরুসালেমদা য়ু এসকী অনৌবা এম্বেসি অমা থৌরাং তৌনবা অমসুং শানবগী প্রোসেস হৌনবসু ওর্দর তৌরগনি। তৌইগুম্বসুং হ্বাইট হাউসকী ওফিসলশিংনদি প্রোসেস অদু য়ামদ্রবদা চহী অহুম চঙগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা এম্বেসি অদু মপূং ফানা শাদুনা হাংদ্রিফাওবদি য়ু এসকী ওফিসল মিসন অদু টেল অভিভতা মখা তানা লৈখিগনি অমসুং প্রসিদেন্টনা মখা তানা থা তরুক কোংগ্রেস্নেল লেজিসলেসন চৎনহন্দবগী থৌরাংদা সাইন তৌগনি। থৌরাং অদুদা এম্বেসি হোংবগী ৱাফম য়াওরি তৌইগুম্বসুং মদু ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী বজেট পেনাল্টিশিং কোমথোক্লবগীদমক্তনি।

চৈরকসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ট্রম্পকী থৌরাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। জেরুসালেম অমসুং অল-অকসা মোস্ককী ষ্টেটস চাউবনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা খুদোংথীনিঙাই ওইরবা খোঙথাং অসিনা মালেমগী মুস্লিমশিংবু খোইরাং খোইশাওহনগনি হায়না সাউদি নিংথৌ সালমাননা প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা হায়খি হায়না সাউদি প্রেস এজেন্সিনা হায়রি।

পলেষ্টাইনগী সিনিয়র ওফিসল অমা ওইরিবা নাশর কুদ্ৱানা হায়খি মদুদি, লন্নাইৱারেপ অমনা জেরুসালেমবু কেপিটেল ওইনা শকখঙবা হায়বসি ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবা ওইনা থোক্কনি অমসুং খোঙথাং অসি পালিষ্টিনিয়নশিংনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা চেলেঞ্জ তৌগনি।

চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা হায়খি মদুদি, জেরুসালেমগী ষ্টেটস অসি অরুবা ইস্যু অমনি অমসুং য়ু এসকী ৱারেপ অদুনা রিজনেল কনফ্লিক্ট লুশিনহল্লকপা য়াই হায়না চাইনানা নুংনাংবা পোকই। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙবগী পাউদমশিংনা মিদ্দল ইষ্টতা মীশি-মীনা য়াওবা ঈৰাং কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জর্মন ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রান্সকী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেবসাইটতা চেকশিনৰা হায়খি মদুদি, ডেমোনষ্ট্রেসন কয়া শোয়দনা পাঙথোরক্কনি অমসুং লৈবাক অসিগী নেসনলশিং ইষ্ট জেরুসালেম, ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গজাদা মীয়াম পূল্লকপদা নকশিল্লোইদবনি।

মীওই ২ টেরেসা মে হাৎনবা খুজিল থৌরাং তৌরম্বগী মরাল শীখ্রে

লন্দন, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেবু দাউনিং ষ্ট্রীটতা বোম অমা প্লান্ট তৌদুনা হাৎননবা ইস্লামিষ্ট কাঙবুশিংনা পায়খৎলম্বা খুজিল থৌরাং অমা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংদুগী মতুং ইন্না, মীওই অনী বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে হাৎনবা খুজিল থৌরাং পায়খৎলম্বগী মরাল শীখ্রে অমসুং কেস অদুগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোর্টতা হিয়রিং তৌগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মে হাৎননবা খুজিল থৌরাং তৌরম্লিবা মীওই অনীদুদি নামিমুর জকারিয়াহ রহমন (২০) অমসুং মোহাম্ম অকিব ইমরান (২১) নি। মখোয়না মেগী দাউনিং ষ্ট্রীট ওফিসকী মপানদা লৈবা সিক্যুরিটি বেরিয়রশিং বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়নবা অমসুং বৃটিশ লূচিংবী অসিবু থাঙনা থিল্লগা হাৎনবা থৌরাংলমখি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট অনীনা লন্দনগী ষ্ট্রীট অমদা বৃটিশ লান্মী অমা হাৎখিবদগী ইস্লামিষ্ট টেররিষ্টশিংগী খুজিল থৌরাং ২২ অরেম্বা তাহনখ্রে হায়না হোম সেক্রেটরি অম্বর রুদনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা রিপোর্টশিং অসি ফোঙলক্লিবনি।

হৌখিবা মার্চতা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী মপানদা চঙখিবা এটেক অমদা মীওই মঙা শিখিবদগী খুজিল থৌরাং ময়ামদুগী মনুংদগী মাপনদি শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়না রুদনা ফোঙদোকখি।

য়ু কেনা টেররিজমগী অচৌবা থ্রেট অমা মায়োক্নরি। থ্রেট অসি মমায় য়াম্না লোংই। মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা থ্রেট অসি থুনা ফিভম লুশিল্লক্কি হায়না লন্দনগী মেট্রোপোলিটান পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মখা তাখি মদুদি, হৌজিক মীওই ৩,০০০ চেন্নবা কাউন্টর টেররিজম ইনভেষ্টিগেসন ৫০০ শুরে অমসুং মমাঙদা মীওই ২০,০০০ হেন্না ইনভেষ্টিগেসন চথখ্রে।

বৃটেনদা চহী অসিদা টেরর এটেক মঙা চথখি। এটেকশিং অদুদা মীওই ৩৬ শিখি অমসুং অতৈ ২০০ হেন্না শোকখি। এটেক মরিদি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ক্লেম তৌখি।

ইন্টরনেল রিভিয়ু অমগী মতুং ইন্না, চেন্নবা মীওইশিংগী মনুংদা অহুমদি সিক্যুরিটি সর্ভিসশিংনা খঙবশিংনি।

জর্মনিদা ট্রেন থেঙ্গাইনবদা মীওই ৪০ হেন্না শোক্লে

বর্লিন, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

জর্মন সিটি দুশেনফোর্ফকী মনাক্তা ট্রেন অনী থেঙ্গাইনবদা মীওই ৪০ হেন্না শোক্লে হায়না ইমরজেন্সি সর্ভিসশিংনা হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা নোর্থ রাইন - ৱেষ্টফেলিয়াগী মনুং চনবা মীরবুশ টাউনগী মনাক্তা ফ্রাইট ট্রেন অমগা পেসেঞ্জর ট্রেন অমগা থেঙ্গাইনখি।

পেসেঞ্জর ১৭৩ গী মনুংদগী ৭ খরা থীনা শোকখি অমসুং অমনা ফিভম লুনা শোকখি হায়না মীরবুশ ফায়র ডিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মীওই ৩৩ মাইনর ইঞ্জুরিশিং থোকখি অমসুং ১৩২ দি অশোক-অপন নংখিদে হায়না ডিপার্টমেন্টনা মখা তাখি।

ফায়র ডিপার্টমেন্টকী ওপরেসনদু নুংথিল পুং ১২.২০ লোম তাবদা লোইশিনখি।

মীওই ৪০০ না শরুক য়াদুনা চথখিবা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা পেসেঞ্জর খূদিংমক ট্রেন থাদোকখি।

অশোকপশিংগী মশিং ঙল্লিঙৈদা মীওই মঙাখক ওইরম্বদগী অহিংদুদা খংৱাং ৱাংখৎলকখি অমসুং কেবল অমা তৎপদগী রেস্ক্যুগী থবকশিংদা অপনবা থোকহনখি। ট্রেনদুগী মপান্দা লৈবা মীশিং ইলেক্ট্রিক্না চিংবা য়াবগী ফিভম লৈখি হায়রি।

জর্মনিগী ষ্টেটনা রন তৌবা রেলৱে গ্রুপ দোটস বাহনগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু পুং ১৯.৩০ তাবদা থোকখি।

বৃটেনগী নেসনল এক্সপ্রেস বস কম্পেনিগী সবসিদেরি অমনা ওপরেট তৌবা ট্রেন অদু ট্রেকতা খামদুনা লৈবা কার্গো ট্রেন অমগা থেঙ্গাইনখিবনি।

কম্পেনিগী স্পোক্সমেন অমনা জর্মনিগী বিল্ড পাউচেদা হায়খি মদুদি, অতোপ্পা ভেহিকল অমা ট্রেকতা লৈবা উবদা ড্রাইভর অদুনা খঙহৌদনা ইমরজেন্সি ব্রেক শীজিন্নবা হোৎনখি অমসুং এক্সিদেন্টসু থোকখি।

সাউদি অরাবিয়াদা করপসনগা মরী লৈননা ফাজিল্লিবশিংনা শেল থীরগা সেট্টলমেন্ট পুরকপদা য়াখ্রে

রিয়াধ, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

ঙক্লিংঙাই ওইবা ডিভলপমেন্ট অমদা সাউদি অরাবিয়াদা করপসনগী অচৌবা ড্রাইভ অমদা ডিটেন তৌখিবা মীওই ১৫৯ গী মনুংদা অয়াম্বনা শেল-থুম খরা তীংনরগা সেট্টলমেন্ট পুরকপগী ৱাফম য়াখ্রে হায়রি।

মসি কিংদম অদুগী মতিক-ময়ায় লৈরবা ক্রাউন প্রিন্সনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অৱাংবা থাক্কী প্রিন্সশিং, বিজনেসমেনশিং, ওফিসলশিং অমসুং মিলিটরি ওফিসরশিংগী মায়োক্তা মীফা-মীপুনগী ড্রাইভ অমা হৌখিবা মতুং থা অমা লৈরগা ফিভমসি লাকখিবনি।

শেলগী সেট্টলমেন্টতা য়ানিংবা উৎনখিবগী ৱাফমসি সাউদি অরাবিয়াগী এটোর্নি জেনরেলনা ফোঙদোরকখিবনি। সাউদি থ্রোন পায়গদৌরিবা ক্রাউন প্রিন্স মোহাম্মদ বিন সালমাননা মীফাশিংদু য়েংশিনখি। খঙহৌদনা অহিং অমদা ফাজিনখিবশিংগী মনুংদা সাউদি বিলিয়নর প্রিন্স অলৱা লীদ বিন টালাল য়াওখি। পনবা য়াবদি টালাল অসি মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ক্রাউন প্রিন্স মোহাম্মদ বিন সালমাননা ফোঙদোকখিবা অমদা ডিটেনী চাদা ৯৫ না শেল ওইনা নৎত্রগা মখোয়গী বিজনেসকী স্যেরশিং ওইনা সেট্টলমেন্ট তীংবগী ৱাফম য়ানিংবা ফোঙদোরক্লে হায়খি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না অৱাংবা থাক্কী ডিটেনীশিংদু নবেম্বর ৪ দগী কেপিটেল রিয়াধতা লৈবা অকে-অমৌগী রিটস কার্লটন হোটেলদা থম্লকখি। মশিং খঙদবা য়াম্লবা শেনফম অমা পীবদা য়াবদগী থাদোকখিবশিংগী মনুংদা মতম অমদা নেসনল গার্দ লূচিংখিবা প্রিন্স মিতেব বিন অব্দুলাহ য়াওরি। অদুম ওইনমক প্রিন্স মিতেবকী ময়াম্বা প্রিন্স টর্কি বিন অব্দুলাহ, বিলিয়নর প্রিন্স অলৱা লীদ বিন টালাল হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থম্লিবা অতৈ রোয়েলশিং অমসুং হান্নগী মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা পনবা য়াই। মখোয়দা নত্তনা সাউদি বিনলাদিন গ্রুপ রন তৌরিবা বকর বিনলাদিনগুম্বা সাউদি বিজনেস ৱর্ল্ডগী টাইটন কয়াসু ফাজিন্দুনা থম্লি।

এটোর্নি জেনরেল সাউদ অল-মোজেবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ক্রেকদাউন অদু হৌখিবদগী মীওই ৩২০ কৌখৎখ্রে অমসুং চেকশিন থৌরাং ওইনা ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী বেঙ্ক একাউন্ট ৩৭৬ ফ্রীজ তৌশিনখ্রে। কম্মিটিনা করপসনগী মরাল কয়া শীরবা ডিটেনী অয়াম্বনা শেল থীরগা সেট্টলমেন্ট পুরকপগী ৱাফমদা য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী বোর্দর মনাক্তা বোম পোকখায়বদা ৯ শিরে

মিরানসাহ, পাকিষ্টান, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

অফঘান বোর্দরগা নক্কবা লালহৌবগী ঈৰাং কনবা নোর্থ ৱেষ্ট পাকিষ্টানগী মফম অমদা মোটোরসাইকলদা য়াওবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা মীওই মাপন শিরে হায়না ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈরবা পাকিষ্টানদা থোকপা খ্বাইদগী নৌবা লালহৌবা কাঙবুশিংগী এটেকনি।

বোম অদু লৈবাকপোকপগী অথেংবদা আর্মি ভেহিকল অমা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান রিজনগী মিরি অলি টাউনদা ফাওরকপদা রিমোট কন্ট্রোলনা পোকখায়হনখিবনি হায়না মশক মমিংশিং তাকথোক্লিংদবা পাকিষ্টানি ওফিসল অহুম্না হায়খি।

তৌইগুম্বসুং ঈৰাং কনবা ইথনিক পাষ্টুন লমদমদুবু ঙাক শেল্লিবা পাকিষ্টানি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরক্কবা তৌরকখিবা ফোন কোলশিংগী পাউখুম পীখিদে।

ৱাজিরিষ্টানদা অমুক হন্না মীশি-মীনাগী থৌদোক থোক্লে হায়না নোর্থ ৱেষ্টকী মরুওইবা সিটি ওইরিবা পেশাৱারদা টাহির খান কৌবা পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি।

এটেক অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরক্ত্রি। কুমজা ২০১৪ গী ময়াই চনবদা পাকিষ্টানি আর্মিনা অচৌবা ওপরেসন অমা হৌদ্রিফাওবা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান অসি মতম শাংনা টালিবান অমসুং অল কাইদাগা মরী লৈনবা পাকিষ্টানি অমসুং মপানগী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড ওইখি। মিলিটরি ওফেন্সিভ অদুনা মিলিটেন্টশিংবু মখোয়গী বেজশিংদগী তকথোকখি অমসুং মখোয়গী নেটৱার্ক অয়াম্বা থুগায়খি।

সালেহ হাৎখিবদগী য়েমেনদা কোলিসনগী এয়রষ্ট্রাইকশিং কনশিনখ্রে

অদেন/দুবাই, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

সিভিল ৱারদা মীচং তোয়না হোংখিবা য়েমেনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুলাহ সালেহবু হৌথি লালহৌবশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদা মখোয়না কেপিটেল কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবা হেনগৎখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা য়েমেনদা হান্নদগী হেন্না কন্না এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখ্রে।

লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রসিদেন্ট সালেহগী মচানুপানা মপা হাৎপগী লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা সাউদি অরাবিয়া অমসুং মসিগী মীচংশিংনা সানা অমসুং মনাক নকপা প্রোভিন্সশিংদা লৈবা হৌথি প্রোজিসনশিংদা রেইদ দজন কয়া চথখি। য়েমেনগী প্রো - হৌথি অল মাসিরাহ টেলিভিজন ষ্টেসননা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা সালেহগী ময়ূম অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী অতৈ য়ুমশিংদা কোলিসননা বোমিং তৌখি। টাইজ, হজা, মিদি অমসুং সাদা য়াওনা অৱাং থংবা প্রোভিন্সশিংদসু এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখি। রেইদশিংদুদা মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি খুদক্কী ওইনা ফংখিদে। হান্না এলিট রিপব্লিকান গার্দকী লীদর অমা ওইরম্বা অহমদ অলিনা খুৎ থিংজিনবদগী এন্টি-হৌথি মুভমেন্টকী লূচিংবা অমা থোক্লক্লে হায়না লৌনৈ হায়রি। চয়োল অমা চুপ্পা লান শোক্লরকখিবদা হৌথিশিংনা সালেহগী সপোর্টরশিংবু তকখায়বগী ফিভম লৈখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংনা অকিবা পোকহল্লে

টোকিয়ো, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

এয়রলাইনর কয়াগী ক্রুনা হৌখিবা চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমা উখি অমসুং পিয়োংয়াংনা খঙহৌদনা পাঙথোরকখিবা চাংয়েংশিংনা সিভিলিয়ন ফ্লাইটশিংদা অকিবা পোকহনবগী অরুবা ৱাফম অমা লাকহল্লে হায়না এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থনা এভিয়েসন ওথোরিটিশিং য়াওনা ইন্টরনেসনল প্রোটেক্টশিং খোঙ্গাওনদুনা চহী অসিদা মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা পিয়োংয়াংনা কাপখিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা কিলোমিটর ৪,৪৭৫ ৱাংনা হায়বদি মাইল ২,৭৮০ ৱাংনা পাইখৎখি অমসুং থাগৎফমদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৯৫০ (মাইল ৫৯০) লাপ্পা পাইরগা সীদা তাখি হায়না নোর্থ কোরিয়ন ষ্টেটমীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

সেন ফ্রানসিস্কোদগী ইনচিওনদা পাইখিবা কোরিয়ন এয়র জেট অমনা জপানিজ কন্ট্রোলরশিংদা মদুগী ক্রুনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইলদগী লাকখিবনি হায়না থাজখিবা মৈঙাল অমা উখি হায়না কোরিয়ন এয়রগী স্পোক্সমেন অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মিনিট মরি কান্নরগা লোস এঞ্জেলিস-ইনচিওনগী ফ্লাইট অমদা পাইরিবা অতোপ্পা কোরিয়ন এয়র প্লেননসু জপানিজ কন্ট্রোলদা মান্নবা শক্তম উখিবগী পাউদম পীখি হায়রি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা সাউথ কোরিয়াগী ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, কোরিয়ন এয়রলাইন অনীমক্কী ফ্লাইটকী লম্বীশিংদু মিসাইল অদুদা থুংখিবা মফমদগী কিলোমিটর ২২০ (মাইল ১৪০) লাপখি।

অমম্বা অতিয়াদা নহাক্লা থাপ্লবা মফমদুদা পাইরিবা মিসাইল অদুদগী মঙাল লাকপা উবা ফংগনি। মদু অরংবা মৈরি অমা মখাদা তাবগী মওংনি হায়না মহাক্লা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

জপানগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনসু লৈবাক অসিগী এয়র কন্ট্রোলরশিংনা অসিগুম্বা মঙালশিং উবগী রিপোর্ট মরি ফংখি হায়না ফোঙদোকখি।

জপান এয়রলাইন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, টোকিয়োদগী লন্দনদা পাইখিবা মসিগী এয়রলাইনরশিংগী মনুংদগী অমগী কোকপিট ক্রুনা সী ওফ জপানদা অরংবা মৈরি অমা তাখিবা উখি।

হোং কোং কেরিয়র কেথে পেসিফিকনা মসিগী সেন ফ্রানসিস্কোদগী হোং কোংদা পাইখিবা ফ্লাইটকী ক্রুনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইলনা এটমোসফিয়রদা অমুক হন্না চঙলকপা মানবা শক্তম অমা উখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা মতুংদা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগী রিপোর্টশিংদু লাকখিবনি।

গুৱামদগী পাইরকপা য়ু এসকী বি-১ বি বোমর মিলিটরি দ্রিলসতা য়াওখ্রে

সিওল, ডিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

অচৌবা জোইন্ট এরিএল দ্রিল অমগী শরুক ওইনা য়ু এসকী বি-১ বি বোমর অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মথক্তা পাইখ্রে। জোইন্ট দ্রিল অদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র লান থোকহল্লকপা য়াই হায়না নোর্থ কোরিয়ানা চেকশিনৰা হায়খ্রবনি।

বোমর অদু গুৱামদগী পাইরকখি অমসুং সাউথ কোরিয়াগা চথমিন্নরিবা এক্সরসাইজশিংদা য়ু এসকী এফ-২২ অমসুং এফ-৩৫ ষ্টেল্থ ফাইটরশিংগী মরক্তা তিনখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখিবা অমসুং ইরাই নুমিৎ ফাওবা চথগদৌরিবা দ্রিলশিং অদু পেনিন্সুলা অদুদা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈ মনুংদা পাঙথোক্লিবনি।

অমুকসু এরিএল দ্রিলশিং অসি নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক-ময়ায় কনবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সী বি এম) অমা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা লাক্লিবনি। পিয়োংয়াংনা মিসাইল অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মপুং লম পুম্নমক য়ৌবা ঙমগনি হায়না ক্লেম তৌখি।

নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মখোয়গী মীচংশিংবু তোয়না কিহল্লি অমসুং হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা নোর্থকী ওফিসল কে সী এন এ ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি মদুদি, দ্রিলশিংদু পাঙথোক্নুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা ন্যুক্লিয়র লান নিরি। ট্রম্পপুসু কে সী এন এনা ঙাওরে হায়খি। দ্রিলশিংদু মালেমদগী তোঙান্না তারবা লৈবাক অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পোলিটিকেল এফেয়ার্সকী চীফ জেফরি ফেল্টমেননা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈংগসু চান্নরি।

ফেল্টমেনগী খোঙচৎ অদুনা পিয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা মালেমদা টেন্সন লাকহন্দবদা মতেং পাংগদবা য়ু এনগী খোঙথাং অমা লাকহনবা য়াই হায়না এনালিষ্ট অমসুং ডিপ্লোমেট খরনা থাজরি।

নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মীদিয়ানা ফেল্টমেন অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিং লৈবাকপোকপগী অথেংবদা থুংলখি হায়না কনফার্ম তৌখি, তৌইগুম্বসুং অকুপ্পদি পনখিদে। তুংদা মহাক অমসুং মহাক্কী টিমগী মেম্বর অনীগী ফোটোগ্রাফ অমা ইস্যু তৌখি।

য়ু এস ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী হান্নগী সিনিয়র ওফিসল অমা ওইরিবা ফেল্টমেন অসি কুমজা ২০১২ দগী পাবদা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপা য়ু এনগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসলনি। মহাক খোঙচৎ অদুদা ৱাশিংটনদগী পাউজেল অমত্তা পুখিদে হায়না ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইন মথংগী য়ুমশকৈশদা বৈজিংদা চৎতুনা মহাক্কী লেংমান্নবা সি জিনপিংগা সম্মিট অমা পাঙথোক্কনি হায়না সিওলগী প্রসিদেন্সিয়ল হাউসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



SMART TUTORIAL CENTRE
RUN BY WELL TRAINED, BOARD & COUNCIL OF EXPERIENCE TEACHER.
Facilities VAN SERVICE & HOSTEL
ADMISSION OPEN 2ND REVISION COURSE FOR CLASS X
1) X START ON 14th DECEMBER 2017 CLASS TIMING 10 a.m to 3.30 p.m
2) FOUNDATION COURSE FOR CLASS IX & X START ON 21st DECEMBER 2017 CLASS TIMING 4 p.m to 7 p.m.
DETAIL PLEASE VISIT STC OFFICE SINGJAMEI SUPER MARKET. ## 8730999192/7640861780
HL-P/4656/23 Dec.(alt.)

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL - 795004
ADMISSION OPEN
REVISION 2 MONTHS
CLASS X (MANIPUR BOARD)
CLASS STARTING : 10TH DECEMBER, 2017
LIMITED SEATS
VAN FACILITY
HOSTEL FEE : @RS. 3500/- PER MONTH BOYS & GIRLS
FOUNDATION COURSE
CLASS I TO X
CLASS STARTING ON 4TH JANUARY, 2018
SPECIAL FEATURES :-
➢ Q & A ANALYSIS
➢ Possible Suggestion
➢ Free & printed study materials to each students
10% DISCOUNT for the student who secure 1st to 5th Position in their school
HL-P/3052/26/11-26/12

/ ACTIVA 4G LOST
I have lost my Activa 4G (Red Colour) bearing Regn. No. MN01A D- 4965, Chassis No. ME4JF507HHT463506 and Engine No. JF50E-T-5463838, in the night of between 3/12/2017 and 4/12/2017 while parking at my residential courtyard under lock and key. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Yumkhaibam Mani Singh
Khurai Thangjam Leikai
☎ 8729865132
HL-P/4787/7

/পাউজেঞ্জরি
ইবুধৌ মোইরাং থাংজীঙ চানৌ তংবগী
লাক্লিবা পোইনুগী ২২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা কুমসি চহীগী ইবুধৌগী অনৌ-অপেন শংলৌ মথেল লাংজদুনা তরা লুকলেন কচ্চগদৌরিবা অসিদা কংলৈচা খ্বায় খিবিক্লা নাৎকী ফিজোল থোনবীদুনা তারা চাকলেন ফংবীরনবা পাউচেনা পাউ পীজরি।
থৌরম পরেংশিং ঃ-
১। অয়ুক পুং ৫ - য়াকৈবা
২। অয়ুক পুং ১১ - ইবুধৌ লুক চনবা
৩। অয়ুক পুং ১২ - লুকলেন ফংমিন্নবা
Sd/- H.C. Shobha
Convenor
☎ 7421932477
HL-P/183/7&8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref:- Mut. Case No. 519/SDC/Bishnupur, 2017

Khangembam Ibungo Singh S/o (Late) Kh. Ibocha Singh of Ngaikhong Siphai.

-Petitioner

-Vrs-

Khangembam Ibocha Singh S/o (Late) Meinya Singh of Ngaikhong Siphai.

-O.P.

/NOTICE

Bishnupur, the 6th Dec. 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Khangembam Ibocha Singh S/o Late Meinya Singh of Ngaikhong Siphai দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 35/187 (অরিবা)। 52 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1243 গী 0.29 চাওবা ইশ্চোল অসিগী পট্টাদার মশা মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্নদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Bishnupur

HL-P/4789/7

15 LAKHS SAVING MARUP
Manipur Rural Development Finance (MRDF) না 6th Phase ওইনা শীঙবা থাগী শেনখায়না ₹ 2000/- ওইবা, অপুনবা শেনফম্না ₹ 15,00,000/- (15 Lakhs) তাবা, ফাওখ্রবা মতুংদা অমুক মখা তানা থাগী শেনখায় হুল্লরোয়দবা য়াম্না কান্নরবা, লায়রবা কোকপা য়ারবা মরুপ অমা লাক্লিবা January, 10th 2018 দগী MRDF কী Registered Office তা হৌদোকচরগনি। হায়রিবা মরুপ অসিদা য়াওবা মেম্বরশিংদা ₹ 10,000/- দগী হৌরগা ₹ 1.5 Lakhs ফাওবা অপীকপা শেন্দোয়দা Loan গী খুদোংচাবসু পীজরি। Agent ওইনিংবশিংনা থাগী ₹ 10,000/- ফাওবা Commission pay ফংবা য়াগনি। হৌজিক ফোর্ম থাবা হৌজরে। ফোর্ম ফঙফমশিং
1. MRDF, Takhel Mayai Leikai, ☎ 7005315367
2. MRDF, Khurai Lamlong, Thangjam Leikai ☎ 8787492287
3. MRDF, Naoremthong Bazar ☎ 8837002201
HL-P/158/1-7Dec.
Sd/- MANAGER, MRDF